ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বীদা লৈবা রতনকুমার মেমোরিএল স্কুলদা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)না স্বছথা হেল্থ কেম্প পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিং লায়েংখিবা

লৌমীশিংদা দিজিটেল টুলস অমসুং রিছোর্স শীজিন্নবা পান্দমদা নারানকোঞ্জিল অমদি কোন্থা অহল্লুপ মখা লৈকায়দা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপগা লোয়ননা চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং পীখিবা

পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই অহুম এন আই এনা ফাজিনখিবা থাদোরকউ হায়না অংথা অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অমদি পোইরৌখোংজিল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অনীনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবা

আর ও লাক্তবদগী এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস আর্টিসান কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্তর খনবগী মীখল পাঙথোকখিদবগীদমক আর ওগী মথক্তা কেস অমা লানখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিবা

## প্রসিদেন্ট খল্লক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী কোনরাদ কে সংমানা থাদোরকপা চেরোল অমনা নেসনল পিপলস পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা পার্টিসিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১১গী মখাদা এন কাইসিবু অমুক্কা হন্না এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়রি। চৎলিবা থা অসিগী ১৬তগী মখা তাবা ওর্দর অমা থোল্লক্ত্রিবা ফাওবা মহাক্না প্রসিদেন্টকী থৌ পুগনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** অমুকোগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্কা এদভাইজর ওইনা থৌ পুরম্বা ডা. ৱাই মনি খুমননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এ টি দি য়ু সী ও)গী থৌমীশিংনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈং-চিল্লি লৈখিবা ওইরসনু হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি এস সনাথোইবা মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

## ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** লৌমীশিংগী পাউজেলনা মখা চথরকপা ওইনা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নারানকোঞ্জিল মখা লৈকায় অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ মায়কৈদা চথখিবগা লোয়ননা নোংমগী ওইবা চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমসি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ, ৱিমেন ফার্মরস গ্রুপ, মোবাইল বেজ এগ্রো এদভাইজরি সর্ভিস অমদি লৌমীশিংগী পাউজেলনা দিজিটেল ইন্দিয়া কোর্পোরেসনগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী শেল্লং মখাদা পাঙথোকপনি হায়রি।

## খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** পিছ এন্দ রেষ্টোরেসন কম্মিটি মণিপুর (পি আর সী এম)না শীন্দুনা ন্যু চেক্কোন রোদতা ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্তুনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই অহুম কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না খোঙজং চঙশিনখ্রে। কম্মিটিসিগী এদভাইজর ওইরিবা অমসুং মীতৈ পাঙল কাউন্সীল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনসু থৌসু পুরিবা হাজি অরাফট তম্পাক্না সিজ ফায়র অমদি পিছ টোক তৌদুনা লৈরিবা নিংতম লান্মীশিংবু ফাদুনা পুখিবসি পিছ টোককী ৱাহম্বোক লৈরিব্রা। মখোয়বু অথুবদা থাদোক্তুনা মণিপুর য়ৌহনবীরকউ। পিছ টোককী ৱাহম্বোক লৈহনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

## [illegible]

[illegible]

# শোকচিনখ্রবা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন মেনখৎনবা সেন্টরদা লুপা ক্রোর ৩০০০ লোমগী শেনফম পীবীনবা হায়হৌসি : সূর্য্যকুমার

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবা ফুরুপ অনীগী ঈরাংসিনা মরম ওইরগা হৌজিক মণিপুরগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম অঙকপা ফংনা শোকচিনখ্রে। লায়রবা নোংমগী চারা তাল্লগা চাজবশিং খম-থেংনা ৱারে। শোকচিনখ্রবা শেন্মীৎলোনগী ফীভমসি মেনখৎনবা ঐখোয় পুন্না সেন্টরদা লুপা ক্রোর ৩০০০ লোমগী শেনফম পীবীনবা হায়জ হৌসি হায়না খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা মণিপুর লৈঙাক্তা কন্সত্রক্টিভ ওইবা সজেসন অমা পীখ্রে।

ঙসি য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও)না শীল্লগা লূপ অসিগী ইষ্টর্ন হেদ ক্বার্টর নম্বর-৫ চরাংপাৎতা নুমিৎ ২৫ নি চুপ্পা লানগী ত্রেনিং ফংলবা লান্মীশিং ত্রেনিং লোইদুনা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা ৱাফমসি এম এল এ সূর্য্যকুমারনা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এনা মখা তানা হায়খিবদা, ঈরাংগী চৈথেং ফংলবা লমদমসিদা ঈরাংসি মতৌ করম্না লোইশিনবা য়াগদগে হায়বসিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা খন্ননবা লৈঙাকসিনা হোৎনহন্নিংই। প্রাইম মিনিষ্টরগী মনাক্তা চৎসি হায়রবসু চৎসি, ঈরাংসিনা লমদমসিগী শেন্মীৎলোন্দা অঙকপা ফংনা শোকচিনহনখ্রে হায়বসিদি ময়েক শেংলে। কৈথেলদা কোবী য়োনবদা লৈবীনবা মী লৈত্রে, ঈরাং মনুংদা লৌ পানবা ঙমখিদবা, শা-ষন মাঙ-তাকখিবা য়াওনা শেন্মীৎলোন্দা চাউনা শোকচিনখ্রিবসি মেনখৎনবা ঐখোয় পুন্না সেন্টরদা হায়হৌসি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুএফও (সটজাল)গী থৌমীশিংবু এম এল এনা থাগৎপা ৱাফম কয়া থম্বগা লোয়ননা ইচিল-ইনাওশিংনা হন্দক্কী ঈরাংসিদা ইমা লৈবাক কন্নবগীদমক থৌদাং চাউনা লৌবীরি। মতুংদসু লৌবীয়ু হায়বা ৱাফম থমখি। য়ু এফ ওগী লান্মীশিং ৱাশক লৌবা অদুগা মরী লৈননা য়ু এফ ওগী সেক্রেটরি (হোম) লোইয়ুম্বা খুমননা হায়খিবদা মীতৈ ফুরুপ অসি খৃষ্ট মমাঙদগী হৌনা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরক্লবনি। মীতৈশিংনা মবুক ফরুবদগী ঙসিদি ইন্মিগ্রেন্ট কুকিশিংনা মপু শারকপনি। মীফৎতা কুকিশিংবু ঙাকথোক্লবা লমদমসিগী লেঙদ্রবা লান্মী শেমগত্তবা য়াদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# এন আই এনা ফাখিবা মীওই ৩ থাদোরক্কদবনি হায়না লূপ কয়ানা খোঙজং চঙশিন্নরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** ইন্দিয়া লৈঙাক্কা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক ৱারী শানরিবা মণিপুরগী লালহৌলূপ অমা ওইরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী চীফ ওফ আর্মি শিদবামপু এলিয়জ থোইবা, চীফ ইন্টল্লিজেন্স ঈংবা অমদি কাদর অমগা পুন্না মীওই অহুম এন আই এনা ফাখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয় অহুম্বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরকউ হায়না ৱাংজিং-লমদিংদা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ৱাংজিং অমসুং ৱাংজিং-লমদিং মৈরা পায়বী এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, অংথা মৈরা পায়বী লূপ অমদি পোইরৌখোংজিল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অনীনা খুৎশম্না শীন্দুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অমদা তীনখিবা মীয়াম্না শান্তিগী ৱারী থুগায়নবা লাল্লোং শীনগনু, সিজ ফায়র এগ্রীমেন্টকী ৱাহম্বোক লৈহনসি, পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কাদর অহুম অথুবদা থাদোকউ হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া শীজিন্নদুনা খোল্লাও কয়া লাউখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবি লমজিং নুপী মরুপনসু মৈরাগী খোঙজং অমা চঙশিনবগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ৱারী শানদুনা হৌজিক-হৌজিক সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ)গী খূৎয়েক পীনদুনা লৈরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী অথৌবা অহুম ইখঙ খঙহৌদনা ফাজিন্দুনা থম্লিবসি য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুমীদাং পৌরাবিদা চঙশিনখিবা মৈরা খোঙজং অদুদা পৌরাবি লমজিং নুপী মরুপকী সেক্রেটরি ইরোম ইনাওনা হায়খিবদা, লমদমসিদা খূৎলায় থাদোক্তুনা ইরমদমসিগী শক্তমদা শিংনরকপা খূদিং ঙাক শেল্লিবা অথৌবশিংবু ফাবা পুনবা হায়বসি য়াম্না মথোং হুক্তবা থৌওং অমনি। অথুবা মতমদা থাদোক্লবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনবগা লোয়ননা মতুংদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি থোকহন্দনবা ৱাফমশিং থম্লক্লি।

# রিমসনা শীন্দুনা স্বাছথা হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা রিমসনা চথরকপা হেল্থ কেম্পশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বীদা লৈবা রতনকুমার মেমোরিএল স্কুলদা স্বছথা হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কেম্প অদুগীদমক রতনকুমার মেমোরিএল স্কুলগী চ্যেরমেন কম ফাউন্দর ডা. খ্বাইরাকপম হিলারিনা রিমসকী দিরেক্তর অমদি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না স্কুলসিগী মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বদা মশা-মউ ফম্না লৈনবগীদমক মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিং লেম্না ফংহনবগীদমক্তা রিমসকী মেদিকেল টিমবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী কেম্প অদুদা পুন্না মহৈরোয় ২৯৭ হেল্থ চেক তৌদুনা কান্নবা পীখি। রিমসনা সৈজাং ময়াই লৈকায় অমসুং শবুংখোক খুনৌদসু ঙরাং মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখি হায়রি।

# এ দব্লিয়ু এ এসকী বোর্দ ওফ দিরেক্তর খনবগী মীখল পাঙথোকখিদ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** ঙরাং পাঙথোক্কনি হায়না লেপখিবা মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসান কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ (এ দব্লিয়ু এ এস)গী অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্তর খন্নবগী মীখল পাঙথোকখিদ্রে।

মীখল অদু শীন-লাঙনবা রেজিষ্ট্রার কোওপরেটিভ সোসাইটিনা থারকখিবা রিটর্নিং ওফিসর কে ঐচ তরুনকুমারনা মশাগী থৌদাং লৌদবদগী মীখলসি কায়খিবনি হায়না এ দব্লিয়ু এ এসকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট শৌগ্রাকপম ভুবোলনা মরাল শীরক্লি। মীখল পাঙথোক্কদবা মফমদা মশা লাকখিদবা মথৌ মশক খঙদবা আর ও তরুনকুমারগী মথক্তা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা কেস অমা লানখৎলগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এ দব্লিয়ু এ এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এ রোনিকানা ফোঙদোকখিবদা, মীখলসি পাঙথোকপা য়ারোই, থুগায়গনি হায়না মীরেপ ওঙ্গদৌরিবা খরনা ঈ-পাউদা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি আর ও লাক্তবসিনা থৌওংসি কনাগুম্বা মীওই খরগী থৌইনশিন য়াওৱা হায়বদা হায়মনবা থোক্লেই হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা, ঐহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা শেল চাই হায়না ভিজিলেন্স থাজিল্লক্তুনা কেস থেংনবদা মখোয় মায়থিখ্রবনি। হান্নগী বি ও দিগী থৌ পুবশিংদা শীরক্লিবা মরালশিং অচুম্বা থিদোক্তুনা খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

# মহেশ্বর থৌনাওজম শৌগৎকনি হায়খ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** লমদমসিদা থোক্লিবা ঈরাংসিগী মতাংদা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা চত্তুনা মীতৈশিংগীদমক লাউরিবা মহেশ্বর থৌনাওজমনা অমত্তা ওইসি হায়না লাউখিবা খোল্লাওনা মরম অমা ওইরগা মহাক্না লোক সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইবদা মমাশিংনা শৌগৎকনি হায়না ক্বাকৈথেল ঙানপ্পীথোং মপাল নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট থোকচোম নির্মলানা ফোঙদোরক্লি। লূপসিনা শীন্দুনা ঙসি লৈকায়সিগী কম্ম্যুনিটি হোলদা মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# লৈঙাক্কা চপ চানা থেংননবা ফিরেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** থা ১০ হেল্লক্লবা মণিপুরগী ঈরাংসি লাকশিন্দুনা তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকউ হায়না দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়াওনা ইম্ফালগী মফম কয়াদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা লময়ানবা ইরাবত মেমোরিএল ইন্টিগ্রেটেদ ত্রষ্ট মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা ত্রান্স জেন্দর এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরিবা মালেম থোঙামগী খোঙজং ঙসি নুমিৎ ২৬নি মপুং ফাজিল্লক্লে। ঙরাং নুপীলাল কমপ্লেক্স মমাঙদা খোঙজং চঙশিনবদা নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা ইম্ফাল পুলিসকী টিম অমনা লৌখত্তুনা ত্রিটমেন্টকীদমক জে নিমস হোস্পিটাল এদমিট তৌখিবনি। মহাক্না হৌজিকসু মখল অমত্তগী ত্রিটমেন্ট লৌরোই। ইরমদমসিদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক লৈঙাক্কা চপ চানা থেংননবা ফিরেপ লৌরে হায়খি।

# দ্রগকা কোন্ননা মীওই ১ ফারগা ৱার্নিং পীখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** হট্টা মখা লৈকায়দা লৈবা এম দি বাবু (৪২) অপোকপা সলিম কৌবা মীওই অসি হৌখিবা মতম কয়াদগী ময়াই কাবা চীঙাক য়োন্দুনা নহারোল কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙহনখিবা মীওই অমনি। মহাক ঙসি পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী এম পি এ নিঙোল মচা বট্টালিয়নগী সী ওগী লমজিং মখাদা চথরকপা ওপরেসন অমদা দ্রগকা কোন্ননা ফাগত্তুনা ৱারক ৱাতেম্বা চথখ্রে। মদুগী মতুংদা মখা তানা অসিগুম্বা খুন্নাই মাঙ-তাকহনবগী থবক তৌদনবা ৱারকপদা মশানা য়াজবদগী মহাকপু মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা হট্টা গোলাপতিদা লৈবা লোকল ক্লব অমদা শীন্নখ্রে। বাবু হায়রিবা মীওইসিনা মখা তানা দ্রগ য়োনবগী থবকসি তৌরক্লবদি মতুংদা অমুক হন্না পার্টিনা ঙাকপীরোই হায়রি।

# লৈখিদ্রবা খুল ঙাকপা কুঞ্জবিহারীগী ইমুংদা মতেং পাঙখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লমদমসিগী অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাঙবগী থবক লেপ্তুনা চথরকপগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি গ্রুপসিগী থৌমীশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী মোইরাংপুরেলদা মতম শাংনা খুল ঙাক্তুনা লৈরকখিবা অদুবু খঙহৌদনা ৱান্থরকপদগী লৈখিদ্রবা পুথেম কুঞ্জবিহারী (৩১)গী ইমুং-মনুংদা চঙদবা য়াদ্রবা অচা-অথকশিং তেংবাঙদুনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

এল এম জি মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা এল এম জিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবম অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম অনীনা লুচিংদুনা চৎখিবা তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা কুঞ্জেশ্বরি মংশাতাবম, সুরেন্দ্র নিঙোম্বা, দৱন নাওরোইবম, বোইনাও মাইবম, থৌঙম্বা খুন্দ্রাকপম, বির্লা সলাম অমদি সুনি নোংথোম্বমনচিংবা মরু ওইবা মেম্বর কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসিগী তেংবাঙ খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখিবদা, কুকি মিলিটেন্টশিংগী লান ঙাকথোক্ল বগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংপুরেলদা বঙ্কর শাদুনা খুঞ্জা কয়ানা বঙ্করদা তৃম্বা-চাবা খঙদনা খুল ঙাক্লক্লিবশিংগী মনুংদা পুথেম কুঞ্জবিহারীসু অমনি। মহাক হৌখিবা মার্চ ১৫গী অহিংদা মশা কা হেন্না নুংঙাইরক্তবদগী ময়ুমদা চঙলক্তুনা পোথানবা হোৎনরিঙৈ খঙহৌদনা ৱান্থরক্তুনা লৈখিদবনি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুং মহাক্কী লোয়নবী পুথেম ওংবী মেনাওতোন (৩০), শুপ্পগী কে জি ক্লাস তম্লিবী মচানুপী থাজ অমদি থা ৫ রোমতা ঙাইরিবী মচানুপী অমগা লৈহৌরি। মহাক্কী অপোকপা লিলাসিং অমদি অপোকপী মালা নোংমগী শু-নোম্লগা চাজবা ইমুংনি। হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী চথরকপা কুকি মিলিটেন্টশিংগী লান্দা অদুদগী মহাক খুল ঙাকপগী থবক য়াওরকপনি হায়রি।

# এক্সিলেন্স য়ুথ ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস) :** নোর্থইষ্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা টেষ্টো কোলেজগী অহানবা পাঙথোকপা এক্সিলেন্স য়ুথ ফেষ্টিভেল ঙসি হৌদোকখ্রে।

ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ডা. রাধেশ্যামনা হায়খিবদা, মহৈরোয়শিংগী পূন্সিদা কম্পিটিসন হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মসিগা লোয়ননা ঐখোয় পুন্না থবক পাঙথোকমিন্নবা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না মরু ওই। ময়াম পুন্না থবক পাঙথোকমিন্নবা মতমদা অকনবশিংনা অশোনবশিংবু মতেং পাংবীগদবনি। ময়ামগী মরক্তগী মীথোই-মীহেনবা য়াওরকপশিংবুসু পূক্লিং থৌগৎপীগদবনি। অমগা অমগা মতেং পাংনবনা মায় পাকপা পুরক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

# [illegible]

[illegible]

## চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুষ্ঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্টি ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্কবা সবজেক্টি, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্কবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্কবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফংগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

**[illegible]/খোঙ হামদনা চুম্না লৈবদসু অমাংথোঙদা চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদসু অমাংথোঙদা চিকপা নাবা, চিকপা নাবা অদু ফনবা ঈশিং অশাবদা ফম্লবসু ঙাইহাক ফরম্লগা চিকপা নাবা হৌরকপা, অমাংথোঙদা চিকপা নাবা অদুনা মরম ওইদুনা তূম্বা য়াদবা অমদি চাবসু য়াদবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হামদনা চুম্না লৈবদসু অমাংথোঙদা চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদসু অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, চিকপা নাবা অদু ফনবা ঈশিং অশাবদা ফম্লবসু ঙাইহাক ফরম্লগা অমুক চিকপা নাবা হৌরকপা, অমাংথোঙদা চিকপা নাবা অদুনা মরম ওইদুনা তূম্বা য়াদবা অমদি চাবা-থকপসু য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ অকনবা হাম্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা অদু ওইশিল্লু শুকয়া য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, হকচাং অসি পোথারগতা লৈনিংবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক চপ তিংবা, পূক চাউথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঞ্জোল অমদি মনাং য়াম্না য়াওরকপা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, বেক বোনদা নাবা, কময়া অনীমক নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10128/19 *থাগৎচরিবা :* **I. Ibohal Singh,** Langthabal

**[illegible]/খোঙ হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবদু অকনবা ওইনা তারক্লগা অমাংথোঙ মপান্দা খেতৎলগা ঈ তারকপা, অমাংথোঙ অকোয়বদুসু চাউনা পোমথোকপা, মনুংদুসু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্বুবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অহানবা তারকপা অমাংবদু অকনবা ওইনা তারক্লগা অমাংথোঙ মপান্দা খেতৎলগা অমাংথোঙ মপান্দু তৎলগা ঈ তারকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী অহানবা তারকপা অমাংবদু অকনবা ওইনা তারক্লগা অমাংথোঙ মপান্দু খেতৎলগা ঈ অদুম তাবা, অদুগা অহানবগী খোঙ অকনবা অদু হামদোকখ্রবা মতুংদা অমাংবা অদু অপেৎপা ওইনা লাকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউনা পোমথোরকপা, অমুক হঞ্জিল্লগা অমুক পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্বুরকপা, নাম্বুবা শৌজ অদু মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, মতুংদা শৌজ অদু থা খরগী মতুংদা মশানা হঙ্গৎলম্বা শৌজ অদু হঙ্গৎলু য়ারক্তবা, খূৎনা ইনশিনবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, ঙকশম মরি নাবা, খ্বাং নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/19 *থাগৎচরিবা:* **N. Bijen Singh,** Kwakeithel

**CAS Coaching Centre**
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

**Admission Open**
**FOUNDATION COURSES**

**CLASS XII**
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

**CLASS XI**
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

**CLASS X**
(English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)

Hurry!!! Seats are limited First Come First Served

**Special features:**
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)

# Morning:(4.00/4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00–7.00)P.M

For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130

HL-B/8605/7 to 31 March

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W) [illegible]

**SANGAI TUTORIAL**
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
**FOUNDATION COURSE for**
**CLASS -XII Sc. (COHSEM)**
Class commencing on 5th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy
20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School
86%
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy
86%
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)

9233836426
7085521821

HL-B/8646/18